# কোংগ্রেস কেন্দিদেট ৪০ সোনাপুরগী দিচাং রিসোর্টতা পুখ্রে

গুৱাহাটি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

য়ামদ্রবদা কোংগ্রেস কেন্দিদেট ৪০ গুৱাহাটিগা নক্লবা সোনাপুরদা লৈবা দিচাং রিসোর্টতা পুখ্রে। মীখলগী রিজল্টশিং হায়দ্রোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা অসামদা রিসোর্ট পোলিটিক্স অসি কন্না চৎনরক্লি।

বি জে পিনা থেন্নকপা য়াই হায়না কিবদগী বি পি এফনসু মখোয়গী কেন্দিদেটশিং অসামদগী লৈবাক অসিগী হায়দোক্তবা মফম অমদা পুরগা থমখ্রবনি। অসাম এসেমব্লি মীখলগী রিজল্ট লাউথোক্কদবা নুমিৎ ১৩ নি ফাজিল্লক্ত্রবনি। কোংগ্রেসনা সোনাপুরগী দিচাং রিসোর্টতা পুখিবা কেন্দিদেটশিংদুগী মনুংদা রাজযোটি কুর্মি, ৱাজেদ অলি চৌধুরি অমসুং সিদ্দিক্কি অহমদ য়াওরি।

কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর দোবাব্রতা সাইকিয়াসু শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিলদা দিচাং রিসোর্টতা থুংখি। অদুমওইনমক মহাক্না কোংগ্রেসকী লুচিংবশিং অদু গেট টুগেদর অমগীদমক্তা রিসোর্ট অদুদা লাক্লিবনি হায়খি।

ষ্টেট কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রিপুন বোরা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা দিচাং রিসোর্টতা থুংখি অমসুং মহাক্না কেন্দিদেটশিং মফম হোংলগা লৈহল্লিবদু য়েংশিনখি। কোংগ্রেস কিন্দিদেটশিং গেট নম্বর ৪ ফাওরগা রিসোর্ট অদুদা চঙখি।

অসামগী এসেমব্লি মীখলগী রিজল্ট মে ২ দা লাউথোক্কদবনি। ভোট মশীং থিবা লোয়বদা কোংগ্রেস কেন্দিদেটশিং শেল অমসুং ফমগী ওফরগা লোয়ননা মন্তিক্লরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী পার্টিনা মখোয়বু রিসোর্ট অদুদা থল্লিবনি।



মণিপুর লৈঙাক্লা পঞ্চয়টি রাজ ইন্সটিট্যুসনগী ফন্দশিং থাদোকউ, এম জি নরেগাগী জোব কার্দ হোলদরশিংগী খুৎশুমন অমদি ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী সেকেন্দ ইন্সটোলমেন্ট পীথোকউ হায়না দিমান্দ তৌরদুনা খুম্বোং বজারদা ঙাইরংবম জিলা পরিষদ টি ঐচ নিলমণিনা লুচিংদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা

# অসামগী মিলিটেন্ট গ্রুপ এন এল এফ বিগী মকোক মেঘালয়াদা ফারে

শিলোং, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

মরু ওইবা খোঙথাং অমদা মেঘালায়া পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নৌনা শেমখিবা অসামদা বেজ তৌবা এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপ নেস্নেল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ বোদোলেন্দ (এন এ লএফ বি) গী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ৱেষ্ট জায়ন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টতগী ফারে।

জায়ন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টতা এন এল এফ বিগী এক্সত্রিমিষ্ট খরা চথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফঙখিবগা লোয়ননা মেঘালায়া পুলিসনা জেতিশ দাইমারি (৪২) কৌবা এক্সত্রিমিষ্ট লিদর অদু মেঘালায়াগী ৱেষ্ট জায়ন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টকী অল্লারেম এরিয়াদগী ফাবা ঙমখি।

পুলিসনা স্মার্ট ফোন অহুম অমসুং কিপেদ ফোন অহুম য়াওনা মোবাইল ফোন তরুক লোয়ননা গাড়ী অমা অমসুং লালহৌবগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট কয়া মঙোন্দগী ফঙখি। হান্নগী নেস্নেল দেমোক্রেটিকফ্রন্ট ওফ বোদোলেন্দ (এন দি এফ বি) গী মেম্বর অমা ওইরম্বা দাইমারি সেন্তরনা এন দি এফ বিগী ফেক্সন মরি অমসুং ওল বোদো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ বি এস য়ু) গা বোদোলেন্দ টেরিটোরিএল রিজন (বি টি আর) খুৎয়েক পীনখিবা মতুং কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারীদা খুৎলাই থাদোকখি।

মহাক কুমজা ২০০৯ দা এন দি এফ বিদা য়াওখি অমসুং মেঘালায়াগী সাউথ ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মহেন্দ্রগঞ্জ এরিয়া ফাওরগা চত্তুনা বাংলাদেশতা খুৎলাই ট্রেনিং তৌখি।

মেঘালায়া পুলিসকী ওফিসল অমনা হায়, মেঘালায়াদা মহাক্না তৌরিবশিং অমসুং ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মহাক্কী এসোসিএটশিং খঙদোক্নবা মহাক ইন্ত্রোগেসন চথরি। ইষ্ট, ৱেষ্ট জয়ন্টিয়া হিলস অমসুং রি ভোই দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা মী ফাবা, মী হাৎপা অমসুং অতৈ ক্রিমিনেল এক্তিভিটি কয়াগা মরী লৈনবা কেসশিংদা চেন্নবা দাইমারিবু ফাননবা পুলিসনা হোৎনদুনা লাকখি।

# মিজোরামগী দিষ্ট্রিক্ট ৪ স্বাইন ফিভরগী ইপিসেন্তরশিংনি লাউথোকখ্রে



আইজোল, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মরিগী অকক্লবা মফম খরা অফ্রিকান স্বাইন ফিভর (এ এস এফ) কী ইপিসেন্তরনি হায়না লাউথোকখ্রে। শাথিরবা ওককী লায়না অসিনা থা অমদা ষ্টেট অসিগী ওক ১,০০ হেন্না শিহন্দুনা শেল ওইনা পাবদা লুপা ক্রোর ৪.৪৭ হেন্না মাঙহনখ্রে।

এনিমেল হজবেন্দ্রি এন্দ ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্তর (লাইভষ্টোক হেল্থ) ডা. লালমিংথাঙনা হায়, লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টকী লুংসেন ভিলেজ অমসুং লুংলৈ ইলেক্ট্রিক ভেং, আইজোলগী আর্মদ ভেং অমসুং ইপেনথর টনবরহুদস, সর্সিপ দিষ্ট্রিক্টকী কৈতুম ভিলেজ অমসুং সাউথ মিজোরাম মিয়াহা টাউনগী ভাইপি ৱান অসি এ এস এফকী ইপিসেন্তরশিংনি হায়না লাউথোক্লে।

হৌজিক এ এস এফনা শোকহল্লিবা মিজোরামগী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদুদি আইজোল, লুংলৈ, সর্সিপ, মামিত অমসুং মিয়াহানি। মমিত দিষ্ট্রিক্টতা এ এস এফকা মরী লৈননা ওক খরা শিথ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি দিষ্ট্রিক্ট অসি ইপিসেন্তরনি হায়না লাউথোক্ত্রি।

ইহান হানবা ওইনা মার্চ ২১ দা অফ্রিকান স্বাইন ফিভরনা মরম ওইদুনা মিজোরামদা ওক শিখি। ইহান হান্না লায়না অসিনা ওক শিহনখিবা মফমদু বাংলাদেশকা লোন্নবা সাউথ মিজোরামগী লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টকী টলাবুং সব দিভিজনগী মখাদা লৈবা লুংশেন ভিলেজদা থোকখি।

ভোপালগী নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ওফ হায় সিক্যুরিটি এনিমেল দিজিজ লেবোরেটরি (এন আই এস ঐচ এ দি) দা পাঙথোকখিবা লেবোরেটরি টেষ্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মিজোরামদা উরিবা ওককী লায়নাবু এ এস এফনি হায়না এপ্রিল ১৫ তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখি।

দিপার্টমেন্টগী রেকোর্দ পল্লদুনা লালমিংথাঙনা হায়, য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবদা এ এস এফনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা ওক ১,১১৯ শিদুনা শেল ওইনা পাবদা লুপা ক্রোর ৪,৪৭ মাঙহনখ্রে। লুংসেনদা নত্তনা মমিত দিষ্ট্রিক্টকী ভিলেজ ৪, সর্সিপ দিষ্ট্রিক্টকী ভিলেজ অমা, সিসয়াহা টাউনগী মফম অমা অমসুং লুংলৈ অমসুং আইজোল টাউনশিংগী মফম অহুম অহুমদা এ এস এফকা মরী লৈননা ওক কয়া শিখি। আইজোলগী দুর্টলাং লোকেলিটিদসু মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা ওক ৮৭ শিখি।

# টেষ্ট তৌদনবা পোসেঞ্জর ৩০০ হেন্না সিলচর এয়রপোর্টতগী চেনখ্রে

সিলচর, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):

অসামগী সিলচর এয়রপোর্টতা থুংখিবা পেসেঞ্জর ৩০০ হেন্না তঙাই ফদনা তৌফম থোকপা কোভিদ-১৯ টেষ্টিংদগী নাম্বোক্তুনা চেনখ্রে হায়না শগোলশেন নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।




সাউদর্ন অসামগী কাছার দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর সুমিত সাতাৱাননা ফোঙদোকখিবদা, এয়রপোর্টতগী চেনখিবা এয়র ত্রাভেলরশিংদুগী অকুপ্পশিং মখোয়না কলেক্সন তৌরি অমসুং মদু লোয়রগা মখোয়গী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎকনি।

মেন্দেটরি কোভিদ টেষ্টিংদগী নাম্বোক্তুনা চেনখিবা এয়র পেসেঞ্জরশিং অদু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১৮৮ (দিসওবিদিএন্স টু ওর্দর) গী মখাদা এক্সন লৌখৎলগনি হায়না সাটাৱানা মীদিয়াদা ফোঙদোকখ্রে।


হীরম অসিগী মতাংদা কাছার দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌখ্রে। এয়রপোর্ট অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টগী সোর্ছশিংনা হায়, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট তরুক্তা সিলচর এয়রপোর্টতা থুংলখিবা পেসেঞ্জর ৬০০ তুগী মনুংদা পেসেঞ্জর ১৮৯ দমক কোভিদ টেষ্ট তৌখি অমসুং মখোয়গী মনুংদা মীওই তরুক পোজিটিভ ওইখি। তোঙান তোঙানবা মরমশিং অমসুং গভর্ণমেন্টগী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর্স (এস ও পি) গী মতুং ইন্না পেসেঞ্জর ২০০ হেন্না টেষ্ট তৌবগী মথৌ তাররোই।

এয়রপোর্টকী রেকোর্দশিংগী মতুং ইন্না, মীওই ৩০০ খরা হেন্না মেন্দেটরি টেষ্টিং তৌদনা এয়রপোর্টতগী চেনখি। অদুমওইনমক মখোয় লোয়নমক আইদেন্টিটি কার্দ উৎলগা এয়রক্রাফট কাবা অমসুং কুম্বা তৌবনা মীওই খুদিংমক ইরাই লায়না খোঙ্গুল লীবা য়াই হায়না এয়রপোর্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টনা অনকপা হোস্পিটাল অমদা এয়রক্রাফট পেসেঞ্জরশিং কোভিদ টেষ্ট তৌনবা এরেঞ্জ তৌখি অমসুং ত্রান্সপোর্টেসনগী খুদোংচাবা ফঙহনখি। পম্নমকসি ওইদুনসু পেসেঞ্জর ৩০০ খরা হেন্না এরেঞ্জমেন্টশিং অসিদগী নাম্বোকখি।

অসাম গভর্ণমেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মমাংগী এস ও পি শেমদোক্তুনা ফ্লাইট অমসুং ত্রেনদা অসামদা লাক্লিবা মীওইশিং কোভিদ টেষ্টতা নেগেটিভ ওইবগী রিজল্ট পায়রবসু তঙাই ফদনা নুমিৎ তরেৎনি হোম ক্বারেন্টিন তৌগদবনি হায়না লাউথোকখি।

## CROSSWORD-3760



### ACROSS

1 Secret (4-4)
6 Public transport vehicle (3)
9 Brink (5)
10 Acrobat (7)
11 Nullified (7)
13 Gloss (5)
14 Aromatic spice (6)
15 Tightly clinging shellfish (6)
18 Travel by car (5)
20 Mean, medium (7)
21 Soon (7)
22 By oneself (5)
23 The sun (3)
24 Late afternoon church service (8)

### DOWN

2 Vertical (7)
3 Gardening tool (3)
4 Messy (6)
5 English county (9)
6 Beautiful girl (5)
7 Fortified (12)
8 Formal wear (7,5)
12 As a result (9)
16 Group of soldiers (7)
17 Hang loosely (6)
19 Perfect (5)
22 Dolt (3)

**Solution 3759**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ■ | C | ■ | A | ■ | C | ■ | D | ■ | T | ■ | W | ■ |
| ■ | A | P | P | R | O | P | R | I | A | T | E | ■ |
| ■ | S | ■ | A | ■ | R | ■ | O | ■ | U | ■ | L | ■ |
| S | H | U | T | U | P | ■ | P | I | R | A | C | Y |
| ■ | ■ | ■ | H | ■ | O | ■ | ■ | ■ | U | ■ | O | ■ |
| P | L | A | Y | E | R | ■ | A | S | S | U | M | E |
| ■ | U | ■ | ■ | ■ | A | S | P | ■ | ■ | ■ | E | ■ |
| A | S | W | E | L | L | ■ | I | N | S | I | D | E |
| ■ | T | ■ | R | ■ | ■ | ■ | A | ■ | U | ■ | ■ | ■ |
| B | R | E | A | S | T | ■ | R | O | M | A | N | Y |
| ■ | O | ■ | S | ■ | H | ■ | I | ■ | M | ■ | O | ■ |
| ■ | U | S | E | L | E | S | S | N | E | S | S | ■ |
| ■ | S | ■ | D | ■ | N | ■ | T | ■ | R | ■ | Y | ■ |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3559

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | 5 | | 1 | 8 | | | |
| | | | | 9 | | | | |
| 8 | | 7 | | | 2 | 3 | | 6 |
| | | 6 | 7 | | | | | |
| 3 | | 2 | | | | 5 | | 4 |
| | | | | | 5 | 9 | | |
| 7 | | 1 | 2 | | | 8 | | 9 |
| | | | | 7 | | | | |
| | | | 9 | 5 | | 6 | 3 | |

### Solution-3558

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 2 | 1 | 7 | 9 | 5 | 8 | 6 |
| 8 | 6 | 1 | 3 | 5 | 4 | 7 | 2 | 9 |
| 7 | 5 | 9 | 8 | 6 | 2 | 3 | 4 | 1 |
| 2 | 8 | 4 | 9 | 1 | 3 | 6 | 5 | 7 |
| 1 | 9 | 6 | 5 | 4 | 7 | 8 | 3 | 2 |
| 5 | 3 | 7 | 2 | 8 | 6 | 1 | 9 | 4 |
| 6 | 7 | 8 | 4 | 2 | 5 | 9 | 1 | 3 |
| 9 | 2 | 5 | 6 | 3 | 1 | 4 | 7 | 8 |
| 4 | 1 | 3 | 7 | 9 | 8 | 2 | 6 | 5 |

## EMPLOYMENT NEWS

EMRS Teacher Recruitment 2021 recruitment.nta.nic.in: Ministry of Tribal Affairs (MoTA) has published EMRS Notification 2021 for selection of Teaching staff for Eklavya Model Residential Schools (EMRSs). The EMRS Teaching staff selection examination 2021 online registration will be start from 1st April 2021 to 30th April 2021.

EMRS TEACHING STAFF SELECTION EXAM (ETSSE) 2021
Name of the Post
No of Vacancies
Trained Graduate Teachers (TGT)
1906
Post Graduate Teachers (PGT)
1207
Vice Principal
114
Principal
173
Age Limit:
TGT: Up to 35 years
PGT: 40 years
Vice Principal: 45 years
Principal: Not exceeding 50 years
Pay Scales:
TGT: Level 7 ? 44900 - 142400/-
PGT: Level 8 ? 47600 - 151100/-
Vice Principal: Level 10 Rs 56100 - 177500/-
Principal: Level 12 Rs 78800 - 209200/-
Educational Qualification and Experience:
Principal:
(1) Master's degree.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(4) Minimum 10 years teaching Vice principal / PGT / TGT) in a recognized high school/ Higher secondary school / Senior Secondary School/ Intermediate college.
Vice Principal:
(1) Master's degree, and B.Ed or equivalent degree, and Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(2) Minimum 02 years' experience of working on the post of PGT or lecturer at level 8 (Rs.47600-151100) in Central/ State Govt./ Autonomous organization of central / State Govt.
PGT:
(1) 02 years Integrated Post Graduate course in the concerned subject with at east 50% marks in aggregate (OR) Post Graduate with at least 50% marks in aggregate in relevant subjects.
(2) B.Ed.or equivalent degree from a recognized University (Not applicable on PGT IT).
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
TGT:
(1) 04 years Integrated Degree course of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate (OR) Bachelor's Degree with at least 50% marks in the concerned subject/ combination of subject and in aggregate.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Pass in the State Teacher Eligibility Test (STET) or Central Teacher Eligibility Test (CTET) Paper-II, conducted by CBSE in accordance with the Guidelines framed by the NCTE for the purpose.
(4) Proficiency in teaching in Hindi and English medium
Selection Process: EMRS Teaching Staff Selection Exam (ETSSE) will be conducted in Computer Based Test (CBT) Only.
Application Fee:
2000/- for Principal and Vice Principal Posts.
1500/- for PGT and TGT posts.
The fee can be submitted only online through Net Banking, Credit Card, Debit Card, UPI or Paytm Services etc.
No fee for SC / ST / PWD category candidates.
How to Apply: Eligible Interested Indian Citizens apply online through National Testing Agency (NTA) Recruitment Portal (recruitment.nta.nic.in) from 1st April 2021. The last date for registration of online applications is 30/04/2021.

IAF Group C Civilian Recruitment 2021 Apply Online Prescribed Application Form: Indian Air Force (IAF) invites applications from eligible Indian Citizens for recruitment of following Group 'C' Civilian posts at the various Air Force Stations/ Units. The last date for receipt of Application Form is 30 days from the date of publication of this advertisement in Employment News paper dated 3rd April 2021 Issue.
Name of the Post
Total Vacancies
Group 'C' Civilian Posts
1515+
Vacancy Posts:
Steno Grade II
Supdt (Store)
Cook (OG)
House Keeping Staff (HKS)
Mess Staff
Hindi Typist
Multi Tasking Staff (MTS)
LDC
Laundryman
CS & SMW (SK)
CMTD (OG)
Carpenter (SK)
Ayah / Ward Sahayika
Vulcaniser
Painter (SK)
Store Keeper
Senior Computer Operator
Civilian Mechanical Transport Driver
Tailor (Skilled)
Copper Smith and Sheet Metal Worker (CS&SMW) (Skilled)
Fireman
Fire Engine Driver
Trademan Mate
Leather worker (Skilled)
Turner (Skilled)
Wireless Operator Mechanic HSW Gd-II (WOM HSW)
Age Limit:
18 to 25 years for all posts
Age Relaxation: 03 years for OBC, 05 years for SC / ST, 10 years for Physically Handicapped.
Pay Scales: Level 1 to Level 5 (Pay Matrix 7th CPC)
Educational Qualifications:
For Senior Computer Operator Post - Graduate (Bachelor's Degree) in relevant discipline.
For All Other Posts - 10th class (Matriculation) / 12th Class (Matric with +2) Pass or equivalent qualification from a recognized board / Institute.
Other Qualification for LDC / Hindi Typist: A typing speed of 35 wpm in English or 30 wpm in Hindi on computer (35 wpm and 30 wpm correspond to 10500 KDPH/9000 KDPH on an average of 5 key depressions for each word).
For Tailor / Tinsmith / CS&SMW / FMT / Leather Worker / Turner / Wireless Operator Mechanic: ITI Certificate in relevant trade.
Selection Process: Written Test / Skill / Practical / Physical Test
How to Apply: Eligible Interested candidates apply in prescribed application format (typed in English / Hindi), duly supported photo-copies of documents is to reach the concerned Air Force Station. Apply within 30 days from the date of advertisement in Employment News Paper dated 3rd April 2021 Issue. The last date will be 03/05/2021







